**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 18-04-2026)**

**কেপ(এল)ঃ** মনিপুরদা পেট্রোল্লিয়মগী পোৎথোকশিং অমসুং এল.পি.জিগী অৱাৎপা লৈতে। মীয়ামনা নুংনাংবা পোকপীগনু হায়না রাজ্যগী কঞ্জুমর এফিয়ার্স ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসনগী দিরেক্তর-কে. বোনোনা হায়রি।

ইম্ফালগী চীংমৈরোংদা লৈবা আই.ও.দি.এলগী ইম্ফাল দিভিজনেল ওফিসতা ঙরাং পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শ্রী বোনোনা হায়-নোংচুপ এসিয়াদা থোক্লিবা লান অসিনা মরম ওইদুনা মীয়ামনা পেট্রোল, দিজল অমদি চাক থোংনবা গ্যাস-এল.পি.জি. ফংলরোই হায়বগী মীপায়বা তৌবীগনু।

মহাক্কী বিভাগকী মায়কৈদগী মীয়ামগী তঙাইফদবা পোৎলমশিং অসি মহৌশাগুমা মরাং কায়না ফংহন্নবা দরকার লৈবা থবকশিং পায়খৎলি। হৌজিকসু লৈবাক অসিদা হান্নগুমা পেট্রোল্লিয়ম অমসুং এল.পি.জি. লেপ্তুনা পশিল্লক্লি।

**খোঙজং(এল)ঃ** ত্রোংলাউবীগী থৌদোক য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙরাং মফম কয়াদা ৱাকৎ মীফম চথখি।

অমুকো, এম.এস.এফ, পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপুবা মনিপুর, ওল মনিপুর ৱিমেন ভোলুন্টরি এসোসিয়েসন অমসুং কোহরগী মীৎয়েং মখাদা চথরকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং নুমিদাং ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই লমলোংদা মৈরাগী রেল্লি লাকপদা সেক্যুরিতি ফোর্সকা মুকরকপদগী টিয়ার গ্যাস অমসুং মোগ বোম কাপ্পদা মীওই খরা অশোক অপন নংখি।

**কার্ফিয়ু(এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ককচিং অমসুং থৌবাল জিলাদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি। অদুমওইনমক বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনদি অয়ুক্কী পুং ৫ দগী অয়ুক পুং ১০

ফাওবদমক কার্ফিয়ু কোমথোক্লি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা তেংনৌপল জিলাগী মোরে পুলিস ষ্টেসন কোনবা বোর্ডর পিল্লর নম্বর ৭৬ অমসুং ৭৭ গী লোন্নবা মফম অমদগী কে.ৱাই.কে.এল. (সোরেপা) গী মীওই অমা ফারে।

মনিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমদা ফারবা মীওই অসিদগী ম্যান্মারগী শেল লিশিং ২০,৫০০ সু ফাগৎপা ঙমখি।

**পদ্মা(এল)ঃ** লৈবাক অসিগী লেমজনিংঙাই ওইরবা পদ্ম এৱার্ডশিং-পদ্ম ভি ভুষন, পদ্ম ভুষন অমসুং পদ্মশ্রী মনাশিং মথং চহিগী গনতন্ত্র দিবস পালন নুমিৎতা লাউথোকবগীদমক লাক্লিবা জ্লাই তরা ফাওবগী মনুংদা মরী লৈনবা চে-চাংশিং থাজিল্লকবা রাজ্যগী হোম দিপার্টমেন্টনা হায়রি।

আর্ট, লিটরেচর এন্দ এদুকেসন, স্পোর্টস, মেদিসিন, সোসিএল ৱাক, সাইন্স এন্দ ইঞ্জিনিয়ারিং, পব্লিক এফিয়ার্স, সিভিল সাভির্সেস অমসুং ত্রেদ এন্দ ইন্দষ্ট্রিনচিংবা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা এৱার্ড অসিগীদমক জিলা জিলাশিংগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার নৎত্রগা সরকারগী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগী হেদশিংগী খুথাংদা মরী লৈনবা চে-চাংশিং পীশিল্লক্কদবনি হায়রি।

**বিলঃ** লোক সভা অমসুং বিধান সভাদা নুপীদা রিজারভেসন পীবগী পুখৎলকখিবা বিল লোক সভাদা ঙরাং পাস তৌবা ঙমখিদ্রে। অপুনবা সদস্য মশিং শরুক অহুম থোকপগী অনিনা বিল অসি অয়াবা পীগদবনি। পুন্না সদস্য ৫২৮ শরুক য়াখিবা মীফম অদুদা সদস্য ২৯৮ না বিল অদুবু অয়াবা পীখি। সদস্য ২৩০ না বিল অসিগী মায়োক্তা লৈখি।

পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স মন্ত্রি-কিরেন রিজিজ্না হায়-কন্সটিট্যুসন (ৱান হন্দ্রেদ এন্দ থার্তি ফাষ্ট এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২৬ অসিদা দা দিলিমিতেসন বিল

২০২৬ অমসুং দ য়ুনিয়ন তেরিতোরিজ লোজ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২৬ কা মরী লৈনবনা সভাদা বিল অনি অসিসু পুথোক্লরোই। শ্রী রিজিজুনা বিরোধিবু নুপীশিংদা রিজারভেসন পীনবা খুদোংচাবা মাঙহল্লে হায়না মরাল শিখি।

মরক অসিদা, গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়রি-লোক সভাদা ঙরাং কংগ্রেস, ত্রিনামুল কংগ্রেস, দি.এম.কে. অমসুং সমাজৱাদি পার্টিনা য়ামা ঙকপা মওংদা নারি শক্তি বন্ধন অধিনিয়মগীদমক কন্সটিট্যুসন এমেন্দমেন্ট বিলদা অয়েৎপা পীবদগী লোক সভা অমসুং বিধান সভাদা নুপীশিংগী সিট চাদা ৩৩ রিজারভেসন তৌবা য়াররোই।

**মীখলঃ** নোংচুপ বেঙ্গোল বিধান সভাগী অহানবা তাঙ্কক অমসুং তামিল নাদু বিধান সভা মীখল নকশিল্লকপগা লোয়ননা ভোট খোন্থগী থবক কনখৎলক্লি।

তামিল নাদুদা বি.জে.পিগী লুচিংবা কে. অনামলাই অমসুং এম.এল.এ. ভনাথি শ্রীনিভাসননা ঙরাং ভোট খোমখি। পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা কে. অনামলাইনা হায়-রাজ্য অদুদা সরকার পায়রিবা দি.এম.কেনা মীয়ামদা খুদোংচাবা কয়া পীবা ঙমদ্রে। রাজ্য অদুদা বি.জে.পি অমসুং চুংশিন্নবা কাংবুনা সরকার পায়রবদি নুপীশিংগী হকশেল, অফবা থকবা ঈশিং ফংহনবনচিংবা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎকনি হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

নোংচুপ বেঙ্গোলগী বিরোধি লুচিংবা সুভেন্দু অধিকারি, রাজ্যগী বি.জে.পি. প্রসিদেন্ট-সমিত ভত্তচারজা য়াওনা রাজনিতিগী লুচিংবা কয়ানা ঙরাং তোঙান তোঙানবা মীখলগী রেল্লিশিংদা শরুক য়াখি। বি.জে.পি. লুচিংবা অমসুং অসামগী মুখ্য মন্ত্রি-হিমন্তা বিশ্ব শর্ম্মাসু রাজ্য অদুদা ভোট খোমখি।

ত্রিনামুল কংগ্রেস লুচিংবী অমসুং মুখ্য মন্ত্রি-মমতা বেনর্জিনা ঙরাং তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ভোট খোমখি।

**ইসিআইঃ** তামিল নাদু অমসুং নোংচুপ বেঙ্গোল বিধান সভা মীখলগী মাংওইননা

ইলেক্সন কম্মিসনননা শেল অমসুং লুপা কোতি ৮,৬৫ রোমগী আইনননা য়াদবা পোৎলম কয়া ফাগৎখ্রে।

ইলেক্সন কম্মিসনননা হায়-চহি অসিগী ফেব্রুৱারী ২৬ তগী চৎনবা হৌখিবা ইলেক্সন সিজর মেনেজমেন্ট সিস্টেমগী মতুং ইন্না নোংচুপ বঙ্গালদা লুপা কোতি ৪২৭ কী য়ু, দ্রগ য়াওনা পোৎলম কয়া ফাগৎখি। তামিল নাদুনা লুপা কোতি ৪৩৮ রোমগী পোৎলমশিং ফাগৎখি।

কম্মীসনননা হায়-মীখল নিয়ম চুমা পাঙথোকবা রাজ্য অনি অসিদা ফ্লায়িং স্কাউট টিম লিশিং মঙা রোম অমসুং ষ্টেটিক সরভিলেন্স টিম লিশিং ৫,৩০০ রোমনা য়েংশিনবগী থবক চথুরি।

**মীফমঃ** নেভেল কম্মান্দরস কনফরেন্স ২০২৬ কী অহানবা তাঙ্কক ঙরাং ন্যু দিল্লিদা লোয়শিনখ্রে।

ঙাকশেল মন্ত্রালয়গী পাউনা হায়-নুমিৎ মরিনি চথরকপা মীফম অসিদা ভারত নেভিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং মখোয়না থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদা কুপা খন্নখি। মীফম অদুদা চীফ ওফ নেভেল ষ্টাফ-এদমিরেল দিনেস কুমার ত্রিপাথিনা ভারত নেভিগী মেরিটাইম সেক্যুরিতি ষ্ট্রেটেজি রিলিজ তৌখি। এদমিরেল দিনেস কুমারনা হায়-মীফম অসিনা নেভিগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং অমসুং সবজেক্ট মেটর এক্সপার্টশিংগী মরক্তা ঙাকশেলগী লমদা খন্ন-নৈনবা অমদি থিজিনবগী তঞ্জা অমা পীখি।

**দোনাল্ডঃ** আমেরিকাগী রাস্ত্রপতি-দোনাল্ড ত্রম্প অমসুং ইরানগী মপান থৌরম মন্ত্রি-অবাস অরাগচিনা, ষ্ট্রেট ওফ হোরমুস মপুং ফানা হাংদোক্লে হায়না লাউথোকখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী অরাগচিনা ৱাফম অসি ফোংদোক্লদুনা হায়-লেবানন্দদা সিজ ফয়ার লৈবগা লোয়নননা ষ্ট্রেট ওফ হোরমুস মপুং ফানা হাংদোক্কুনা কম্মরসিএল জহাজশিং চৎপা য়ারে। অদুমওইনমক,

জহাজশিংনা ইরানগী পোর্টস এন্দ মেরিটাইম ওর্গনাইজেসননা শেন্বা লন্বী চৎপগী নিয়মশিং ঙাকা চৎকদবনি। লেবানন্দ অমসুং ইজরেলগী মরক্তা নুমিৎ তরানি সিজ ফয়ার তৌনরগনি হায়না আমেরিকাগী রাস্ত্রপতি-দোনাল্ড ত্রম্পনা লাউথোকখ্রবা মতুংদা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

মনিপুরদা ঙসি ফোংলিবা পাউচেশিংদা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা উখ্রুল চৎখিবা, ত্রোংলাউবী থৌদোক্কী মায়োক্তা মফম কয়াদা ৱাকৎ মীফম অমদি রেল্লি চৎখিবা অমসুং পার্লিয়ামেন্টতা ৱিমেন্স রিজারভেসন অমসুং লোক সভা সিট হেনগৎপগী বিল পাস তৌবা ঙমদবগী পাউনা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি অমসুং ইংলিস এদিসনদা-সি.এমনা উখ্রুলদা চৎতুনা তাংখুল অমসুং কুকি ফুরুপকী মীওইশিং উন্নখ্রে, ৱারী শান্নবা নত্তনা শান্তিগী লম্বী লৈতে হায়না সি.এমনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইং-তপ্পা হনজিল্লকবগীদমক ৱারী শান্নবা নত্তনা অতোপ্পা পান্থৈ লৈতে হায়না য়ুমাম খেমচান্দনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

লমলোংদা চৎখিবা রেল্লিদা চাউনা মুকরকপদগী নুপী মরি শোকখ্রে হায়বা পাউনা অমা সনা লৈবাক্কী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। মসিগা মরী লৈনবা পাউ-পিপল ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

নুপীগী রিজারভেসন, লোক সভাগী সিট হেনগৎপগী বিল পাস তৌবা ঙমখিদ্রে। দিলিমিটেসন বিলগা নুপীগী রিজারভেসনগী বিলগা পুনশিন্নবা কৈদৌঙৈদা য়ারোই হায়না ওপোজিসননা ফোংদোকখিবা পোকফম পাউচেগী

অহানবা লমাইদা ফোংলি।

থাউ অমসুং চাকথোং গ্যাস মরাং কায়না লৈরি, মীয়ামা পাখৎনিংঙাই ওইদে হায়না কেপ এন্দ পি.দিগী দিরেক্তরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম মনিপুর মেল য়াওনা অতৈ পাউচেশিংদা ফোংনরি। পাউ অসি গানফিয়ু মেলদসু ফোংবা থেংনরে।

মীকপ থোকপা নুমিৎ রিয়েলাইজেসন মন্থ লোয়শিনখিবা অমসুং পাঙথোক খিবগী পাউ, পাউ-চে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

রোংমৈ নাগাগী লুচিংবা অনি তমেংলোংদা থোকখিবা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক্তা লৈখিদ্রে হায়বা পাউ তমেংলোং টাইমগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

লোক সভাদা সিট হেনগৎপগী বিল মায়থিখ্রবা মতুংদা সেন্টরনা হকে দাকখিবগী পাউ সেনাপতিদা ফোংদোকপা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসকী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।